নোংমদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিংগী মমলগী মতাংদা য়েংশিল্লগনি : মহৈরোয় লূপ তরুক

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

নোংমদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিংগী মমলগী মতাংদা য়েংশিল্লগনি হায়না মহৈরোয় লূপ তরুক্কী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এমসুগী প্রসিদেন্ট হাওবিজম চলাম্বা, এইমসকী প্রসিদেন্ট সাইখোম প্রেমচান্দ, দেসামগী প্রসিদেন্ট নামৈরাকপম এদিসন, কে এস এগী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম চেটন, এম এস এফকী প্রসিদেন্ট বিদ্যাসাগর অমসুং সুক্কী প্রসিদেন্ট ধনকুমার নিংথৌজ বা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোভিদ-১৯গী অনীশুবা খোঙহৌ (সেকেন্দ ৱেভ) অসিবু লাকশিননবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি এইমস, এমসু, দেসাম, কে এস এ, এম এস এফ অমদি সুকনা তরাম্না ওকই। লোয়ননা লৈবাক মীয়াম্নসু মতম মতমগী ওইনা লৈঙাক্লা থোরক্লিবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) শিং অসিবু ঙাক্লা চৎপীনবা আপিল তৌজরি।

লাইচৎ অসিবু লাকশিননবগীদমক হৌখিবা এপ্রিল ২৯দা গ্রেটর ইম্ফাল এরিয়া অপূনববু কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখিবগা লোয়ননা লৈঙাক্লা অয়াবা পীবা হীরম খরখক নত্তনা অতোপ্পা হীরম খুদিংমক্তা অথিংবা থমজিনখিবদগী মীয়ামদা হায়নীংঙাই লৈতনা অৱাবা অমদি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লি। তাঞ্জা অসিদা লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিংনা পোৎকী মমল হেনগৎনা য়োন্দুনা নুংথিল পোবোবতা মীচম মীয়ামদগী ফোংনা শাগুন তৌবগী থবক তৌবীদনবা মহৈরোয় লূপ তরুক্লা আপিল তৌজরি।

মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোইশঙনা পোৎ চৈগী মমল লেপ্পদা মওং মরীল তাদবা কয়া অমসু মহৈরোয় লূপশিংনা থেংনবগা লোয়ননা লেপ্লিবা মমলশিং অসি য়ানীংদবগী ৰাফমশিং ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। মণিপুর লৈঙাক্লা তঙাইফদনা চঙবা পোৎচংশিংগী মমল অসি লল্লোনবশিংনা পাম্বা মমলদা লেপ্পগী মহুত্তা মীয়ামগী য়েংলগা লেপ্পীনবা হায়জরি। হীরম অসিগী মতাংদা মহৈরোয় লূপ তরুক্লা পূন্না য়েংশিল্লগনি।

লাইচৎ অসিবু শন্দোরকপদা চাউনা মতেং পাংলিবসি হীদাক মনাগী পোৎলমশিং চাবা, উম্বা তৌদুনা লম্বী সরক্তা তিন তোয়না শিংপা অসিসু অচৌবা মরম অমা ওইরি। লৈঙাক্লসু অসিগুম্বা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অসিবু য়োনবা থিংননবগী ওর্দর থোকখ্রবসু মফম মফম খুদিংদা লোন্না অমদি ফোংনা পোৎলমশিং অসি লৈবা য়োনবা তৌরি। লায়না লাইচৎ অসিবু শন্দোকহনবদা মতেং পাংবদা নত্তনা শূফম নোমফম লৈতদুনা শেল থুমগী অচৌবা চৈথেং নংলিবা ইমুংশিংদসু অমুক্লা হেন্না চৈথেং পীরিবা অসিদগী খরদা ওইরবসু কনবা ঙম্নবগীদমক মহৈরোয় লূপ তরুক্লা পোৎলমশিং অসি য়োনবা অমদি শীজিন্নবদা অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি।

লাইচৎ অসি মীয়াম্না ইশা ইশাগী লৌফম থোকপা থৌদাংশিং অদু লৌবীরবা মতমদতা মায়থীবা পীবা ঙমগনি। মীয়াম্নবু নাৎ-পু তাদ্রবা অমদি খাঙবা কনবগী মতৌ লৈত্রবদি লাইচৎ অসিনা অসুম অসুম লাকশিল্লক্তুনা তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লাকপা য়াই। লৈঙাকখক্তা ইন্থোক্তুনা লৈবনা লাইচৎ অসিদগী কঞ্জবা ঙম্লোই। চেকশিনবনা খ্বাইদগী ফৱবা হীদাকনি হায়বসি কাউবীদনবা অমুক্লা হন্না মীয়ামদা নীংশিংজরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

য়ূমলৈ-কৈরৈ খুদোংচাদবা মীওইশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

প্রো বিজিনেস সোল্যুসন্স প্রাইভেট লিমিটেদনা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লকপা য়ূমলৈ-কৈরৈ খুদোংচাদবা মীওইশিংদা লেম্না চেঙ-হৱাই য়াওনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে হায়না প্রো বিজিনেস সোল্যুসন্স প্রাইভেট লিমিটেদকী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্টর য়ূম্নাম সমানন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চান-থক্লবা পোৎলমশিং লেম্না য়েন্থোকপগী সেকেন্দ ফেজ হেলপিং হেন্দ থৌরম অসি ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা হিয়াংলমনচিংবা মফমদা ঙসি কোয়না চৎতুনা পাঙথোকখিবনি। অসিগুম্বা হেলপিং হেন্দগী থৌরম অসি ফেজ নাইনা পাঙথোকচবনি। ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিনা অনীরকশুবা ওইনা পাঙথোকপনি অমদি অসিগুম্বা হেলপিং হেন্দগী থৌরম অসি লেপ্পা লৈতনা থা খুদিংগী পাঙথোকচবনি অমদি কান্নবা ফংলিবা বেনিফিসরিশিংনা লাইফ টাইম ওইনা অসিগুম্বা বেনিফিট অসি পীজগনি।

মালেমসিদা শোত্থনা লৈরিবশিংগা মীমান্নবা অমদি পূন্না হিংমিন্নবগী পান্দমদা অসিগুম্বা থৌরম অসি পাঙথোকচবনি। সেকেন্দ ফেজ হেলপিং হেন্দগী থৌরম অসিদা ওর্গনাইজেসন অসিমক্কী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্টর, মণিপুর ষ্টেট মেনেজর লৈশাংবম বসন্ত, ওফিস এসিষ্টেন্ট মাইবম রোকি, সোসল ৱার্কর য়ূম্নাম সিন্দুর (ইবোমচা) অমদি য়ূম্নাম কুঞ্জকেশ্বরসু শরুক য়াখি। সেকেন্দ ফেজ হেলপিং হেন্দগী থৌরম অসিদা লাইফ টাইম বেনিফিসরি ওইনা কান্নবা ফংলিবা ইমুং ৮দা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অসি তেংবাঙখিবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অয়ূক পুং ৬তগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা হাংবা য়ারগনি

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ম্যুনিসিপাল এরিয়াশিং অমদি অতোপ্পা সোপিং এরিয়াশিংদা লৈরিবা রিটেল মার্কেটশিং অমদি দুকানশিংনা অয়ূক পুং ৬তগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা থোঙ হাংবা য়ারগনি।

ককচীং বজারদা লৈবা ইমা কৈথেল, ককচীং লমখাই বজার, পোৎফম ফম্বী, নোংদম বজার (কৈথেল মচা পোৎফম ফম্বী) অমদি হিয়াংলম ৱাবগাই বজার পোৎফম ফম্বীশিংগী ওইনদি মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা থিংখিগনি হায়না ককচীংগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট কেঙ্গু জুরিংলানা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমনা খঙহল্লক্লি।

থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

অসাম অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী জেনরেল এসেমব্লি ইলেক্সনগী দ্যুটিদা লৈখিদ্রবা তরুকশুবা বট্টালিয়ন মণিপুর রাইফলস (এম আর) গী জমাদার ৱাইখোম রোনাল্ডগীদমক্তা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অৱাবা ফোঙদোকপীবা অমদি লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াবীবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী মীওইদা লৈঙাক্কী ওইবা চানবা থবক অমা পীরগনি তাকপীবগীদমক ক্ষেত্রি লৈকায় রাইজিং ক্লব (কে আর সী) থৌবালনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু ইকায়খুম্নবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না ক্ষেত্রি লৈকায় রাইজিং ক্লব, থৌবালগী সেক্রেটরি ৱাইখোম সঞ্জয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ত্রিপুরাদা ফিশাবীশিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

ত্রিপুরাগী বাংলাদেশ বিসগাওন ঙমখৈগা তাইনবদা লৈরিবা মৈতৈশিংনা নম্না তারিবা খুল অমা ওইরিবা গৌরনগরদা মৈতৈ নুপী ফিশাবীশিংগী ওইবা থা মরি চূপ্পা চত্থগদবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা হৌদোকখ্রে।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগা মরী লৈননা খুল অসিগী সোসল এক্টিভিষ্ট এন বিনোতানা হায়খি, স্কিল দিভলপমেন্ট দাইরেক্টোরেট অমদি খোৱাই আর দি ব্লোক অনীনা পূল্লগা চত্থবা হেন্দলুমগী ফিশা লোনশা অমদি খ্বাংদা ফি শাবগী ট্রেনিং অসিদা খুল অসিগী নুপী ২০না অহানবা বেটচকী ওইনা শরুক য়ারি।

ট্রেনিং অসি থা মরি চত্থরবা মতুং অনৌবা বেটচ অমা অমুক নৌনা হৌদুনা চত্থগনি। মৈতৈ খুন্নাইদা খ্বাংদা ফি শাবগী য়েলহৌঙৈদগী চৎনরকপা অদু হৌজিক্তি শানবা উদ্রে। মরম অসিনা হেন্দলুমগী ট্রেনিংগা লোয়ননা খ্বাংদা ফি শাবসু য়াওহল্লিবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অহানবা বেটচকী ওইনা পাঙথোক্লিবা ট্রেনিং অসিদা মৈতৈগী খুদৈ, ফেজোম, হাওফি, ঙৌবোং অমদি ত্রিপুরাদা মীরোল ঙাঙবশিংনা য়াম্না পাম্নরিবা নিংথমগী লশিং ফিসু শারি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, চেচুরিয়া ফেদরেসননা শীন্দুনা অগরটালাগী বান্থুতিয়াদা লৈবা নুপীশিংগী ওইবা হেন্দলুমদা ফি শাবগী থবক থৌরমশিং মথং মথং লেপ্তুনা চত্থরি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

কুমজা ১৯৯৫দগী কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) ককচীং লোকলগী মেম্বর ওইরকখিবা ফেমিলি ৱেলফেয়রগী রিটয়ার্দ দাইরেক্টর ডা. নাওরেম অচৌবনা খঙহৌদনা লৈখিদবগা মরী লৈননা হৌখিবা মে ১গী অয়ুক্তা পার্টিগী কাউন্সিল মীফম পাঙথোক্তুনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

ডা. নাওরেম অচৌবা পার্টিসিবু মাঙদা পুখৎনবা মশাগী অচিনবা কয়াবু থাদোক্তুনা হোৎনখিবা ককচীং লোকলগী কম্যুনিষ্ট লুচিংবা অমনি। মীফমদুনা লৈখিদবগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মিনট ১ তূমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না সী পি আই লোকল কাউন্সিলগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ক্লাস টেনগী মহৈরোয়শিং প্রমোসন পীথোকপীয়ু : এস এস য়ু এম

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম) না লৌবা চহীসিগী ক্লাস টেন এগজাম মায়োক্লগদৌরিবা মহৈরোয়শিং প্রমোসন পীথোকপীয়ু হায়না সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম) না ফোঙদোরক্লি।

এস এস য়ু এমগী প্রসিদেন্ট এস য়াইমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা কুমজা ২০২০গী মার্চ থাদগী ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ কনশিল্লকখিবনা মহৈরোয়শিং নিংথিনা লাইরিক তম্বা ফংখিদ্রে। মসিগী মথক্তা কুমজা ২০২১গী অঙনবা শরুক্তগী হৌরগা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা লাইচৎ অমুক হন্না লাকশিল্লকখিবনা করম্বা মতমদা তংদু লৈতাগদগে হায়বা তম্বা ঙমদে। ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসি নিংথিনা নৈনরগা সী বি এস ঈগী ওইনা ক্লাস টেনগী প্রমোসন পীথোকখ্রে। মালেম পূম্বদা শনে দারক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা মহৈরোয় খুন্নাই অমদি মহৈ মশীন তম্বদা পীরক্লিবা চৈথেং কয়া অসি কূপ্লা তরেৎ তরা থোক্লা খন্নরবা মতুংদা ক্লাস টেনগী মহৈরোয়শিংবু সী বি এস ঈনা লৌরিবা পরিং অদুদা মণিপুর লৈঙাক্লসু থিন্থবা তৌদনা প্রমোসন পীবিনবা মরী লৈনবা খুদিংমক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

মণিপুর লৈঙাক্লা ক্লাস ত্বেলভকী মতাংদনা করম্বা ফিরেপ অমা লৌফম থোকপগে হায়বদুসু ৱা তুপথোকপীনবা এস এস য়ু এমনা আপিল তৌজরি। ঙসি ঙসিমক মহৈরোয় লিশীং কয়াগী থম্মোয়দা এগজামগী লাংতক্লবা অমা লৈরিবা অসি কোকহনবীনবা মণিপুর লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীফম থোকই। হৌখিবা চহী অমা চূপ্পা ওনলাইন ক্লাস পাঙথোকপদা মহৈরোয়শিং কয়ামুক য়াম্না কান্নবা ফংলিবগে নৎত্রগা লায়রবা মহৈরোয় কয়ামুক্লা ওনলাইন ক্লাস অসিদা শরুক য়াবা ঙমদবগে হায়বদু লৈঙাক্লা মরী লৈনবশিংগা তান-তিক্লদুনা য়েংশিনবীবা চুমগনি।

এস এস য়ু এমনা খঞ্জবদদি ওনলাইন ক্লাসনা লায়রবা মহৈরোয় কয়া অমা খুঙ্গংগী লমশিংদা অসুক্কী মতিক খুদোংচাদবা মায়োক্লে। অদুম ওইজরগসু লাইচৎ অসিনা পীরিবা চৈথেং অসিনা মাঙহল্লিবা মতম অসিদা ওনলাইন ক্লাসনা খরতা ওইরবসু মেনখৎপা ঙম্লি হায়বসিদি এস এস য়ু এমনা চেৎনা থাজে। খ্বাইদগী লুরিবদি কোভিদ-১৯গী অনীশুবা লাইচৎ অসিনা ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা চাউনা চৈথেং পীরক্লি। চৈথেং অসিনা মরম ওইরগা মহৈ মশীন তম্বদসু চাউনা অৱাবা মায়োক্লরি। তানফম অসিদা মণিপুরদা করম্বা মতমদা এগজাম পাঙথোকপা য়াগদগে হায়বসি তম্বা ঙমদে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা মণিপুর খুন্নাইগী খনবীদুনা ক্লাস টেনগী মহৈরোয়শিংবু প্রমোসন পীথোকপীনবা এস এস য়ু এমনা মরী লৈনবা খুদিংমক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি। মণিপুর মীয়াম্নসু কোভিদ-১৯গী লাইচৎ থেংনবদা থম্মোয় শেংবীয়ু। লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎপীয়ু অমদি অথুবা মতমদা ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লৌশিং পুক্কে

ভেক্সিনগী মরমদা লান্না থাজনবশিং খঙমিন্নসি-১

হৌজিক হৌজিক ঐখোয়না শীজিন্নবগীদমক ফংলিবা মোদর্ন মেদিকেল ইন্টর্ভেন্সনশিং অসিগী মনুংদা ভেক্সিনশিংবু লান্না পাউথোকপিরিবা অসিগুম্না পাউথোকপিবা মশিং য়ামদে। মালেম অসিনা হৌজিক পেন্দমিক অমা লান্থেংনরিবা মরম্না ভেক্সিনগী মরমদা শন্দোক্লিবা অরানবশিং অসিবু পুথোক্তুনা অচুম্বা অদু খঙহনবা হায়বসি খ্বাইদগী মরুওইবা অমা ওইরি।

ৱর্ল্দ হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী মতুংইন্না কুমজা ২০১০দগীনা ২০১৫ ফাওবগী মনুংদা মীওই মিল্লিয়ন ১০ রোম শিরমগদবদগী ঙাকথোকখি হায়রি।

ঐখোয়বু সার্স-কোভ-২ ভাইরসতগী ঙাকথোক্লবগীদমক সেফ ওইবা অমদি ইফেক্টিব ওইবা ভেক্সিনশিং শানবগীদমক সাইন্টিষ্টশিংনা চোকথবা নাইদনা হোৎনরিবনি। হৌজিক মালেমগী লৈবাক কয়াগী গভর্ণমেন্ট কয়ানা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনশিং পুথোক্লরকপগা লোয়ননা সাইন্টিষ্টশিং অমদি মেদিকেল এক্সপার্টশিংনা অনৌবা খুদোংচাদবা অমা অমুক মায়োক্লরক্লি, মদুদি লান্না পাউ শন্দোকপা (মিসইনফোর্মেসন) অমদি মসিগা লোয়নবা ভেক্সিন হেসিটেন্সি (ভেক্সিন কাপ্পা পামদবা) হায়বসিনি।

এন্টি-ভেক্সন খরা (ভেক্সিননা অনাবা মখল কয়া থোকহল্লি হায়না থাজবা মীওইশিং)না মখোয় মশাগী পুন্সিবু ভেক্সিনগী মরমদা লান্না শন্দোক্লবা হোৎনবরোমদা কথোক্লি। অশেংবগী ওইনদি ভেক্সিনশিংনা মীওই মিল্লিয়ন কয়াগী পুন্সিবু কনখ্রবনি।

ভেক্সিন হেসিটেন্সি হায়বসি অনৌবা ৱাফম নত্তে অমদি মসি মায়কৈ কয়াদা মতীক চানা রিজনেবল ওই। খুদম ওইনা, ভেক্সিনশিং অসিগী সেফটি অমসুং মখোয়শিং অসিনা হকচাংদা পীরকপা য়াবা ইফেক্টশিংগী মতাংদা মিসইনফোর্মেসন কয়া অমা ইন্টর্নেটতা মরাঙ কায়না ফংলি। লোয়ননা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনশিং অসি হান্নগা মান্নদবা মওংদা য়াম্না থুনসু দিভেলপ তৌখি অমদি মখোয়শিং অসি পুথোকপদা অনৌবা টেক্নোলোজিশিংসু শীজিন্নে।

হায়রিবা হীরম অসিগা মরী লৈনবা ৱাফমশিংগী মতাংদা নৈনমিন্নদুনা লান্না শন্দোক্লিবা নৎত্রগা লান্না থাজনরিবশিং অদুবু চুমথোকমিন্ননবা হোৎনমিন্নসি।

ঙসি ইন্দিয়া য়াওনা মালেম অসিগী মীওই কয়াগী মফমদা মখোয় মখোয়গী পুন্সিবু কনগদৌরিবা ভেক্সিন অসি কাপ্পগী মতাংদা চম্নবা কয়া পোক্লরি।

আর্টিকল অসিদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিনশিংগী মতাংদা লান্না কম্মন ওইনা শন্দোক্লরিবা অরানবা ৱাফমশিংবু চুমথোক্লবা হোৎনরি। মসিনা, লূ-তোংদা চূখিবগা পাঙখক ওইরবা এন্টিভেক্সরশিংগী ৱাখলবুদি চুমথোকপা ঙম্লোই হায়রগসু, ভেক্সিন কাপ্পা কিরিবা, কাপ্পিংদবা ফাওরিবা মীওইশিংদুগীদমক কান্নবা খরদি পীগনি হায়নদি থাজবা থল্লি। লান্না থাজনবা/শন্দোকপা (তোকঙা)শিং অদুগী মরমদা মখাদা শন্দোক্লা পীরি।

তোকঙা: ভেক্সিনশিং অসি খুদোংথীনিংঙাই ওই, মরমদি মখোয় অসি য়াম্না অথুবা মতমদা পুথোরকপনি

কোভিদ-১৯গী ভেক্সিনশিং অসি হৌজিকফাওবগী ওইনা লৈরিবা ভেক্সিনশিং অসিদগীদি হেন্না খোঙজেল য়াঙনা অথুবা মতমদা (চহী অমগী মনুংদা) সাইন্টিষ্টশিংনা দিভেলপ তৌখি হায়বসি অচুম্বনি। মসিগী মমাঙদা লৈখিবা রেকোর্দ থুগাইখিবা ভেক্সিন হায়রগদি মম্প্স ভেক্সিননি, মদু চহী ৪গী মনুংদা পুথোকখিবনি।

কোভিদ-১৯ ভেক্সিনশিংনা হেন্না অথুবা মতমদা পুথোরকখিবগী মরম কয়ামরুম লৈ, মরমশিং অদুনা মরম ওইরগা ভেক্সিনশিং অদুগী সেফটিদদি হস্থহনবদি লৈতে।

খুদম ওইনা, সাইন্টিষ্টশিং অসি করিসু খঙদনা মকোক্তগী হৌরকখিবা নত্তে। অদুগা সার্স-কোভ-২ অসি সাইন্টিষ্টশিংগী মফমদা অনৌবা অমা ওইরগসু রিসার্চরশিংনা চহী কয়াগী মমাঙদগী কোরোনাভাইরসকী মরমদা ষ্টদি তৌদুনা লাক্লিবনি।

লোয়ননা, কোভিদ-১৯না মালেমগী কন্তিনেন্ট খুদিংমকপু শোকহনবা মরম্না ভেক্সিন দিভেলপমেন্টকী প্রোসেস অসিসু মমাঙদা অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা মওংদা মালেম পূম্বনা খুৎশম্নখি। অদুগা সাইন্টিফিক ওইবা চাংয়েং কয়া অমদা শেল-থুম থাদবিরক্লবা ৱাৎপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরগসু, কোভিদ-১৯ রিসার্চরশিংগী ওইনদি মায়কৈ কয়ারোমদগী স্পোন্সরশিং লৈখি।

ভেক্সিন শেমগৎনবা হোৎনবদা তপথহন্নবগী মচাক অমগা হায়রগদি ভলন্টিয়রশিং রিক্রুট তৌবা অসিনি। কোভিদ-১৯গী ওইনদি, মতেং পাংবা পাম্বা মীওইশিংগী মশিং অৱাৎপা লৈখিদে।

লোয়ননা, মহৌশাগী ওইবা ফিভমদদি, ক্লিনিকেল ট্রায়লশিং অসি মথং মনাউ নাইনা চত্থনবনি। অদুবু হন্দক্কী মতাং অসিগী ওইনদি সাইন্টিষ্টশিংনা ট্রায়ল খরবু মতম অমত্তদা তৌবা ঙমখি, মসিনা মমল নাইদ্রবা মতম কয়া কনবা ঙমখি।

ফেক্টরশিং অসিনা মরম ওইরগা খোঙজেল য়াঙনা অমদি সেফটিদা করিসু ময়েং তাহন্দনা ভেক্সিন পুথোকপা ঙমহল্লিবনি।

শম্না হায়রবদা, ভাইরস অসি অথুবা মতমগী মনুংদা মশক খঙদোকপা ঙমখি; মসিগা মান্নবা পেথোজেনশিংগী মতাংদা ঐখোয়দা এক্সপিরিয়ন্স মাঙজৌননা লৈখ্রে; টেক্নোলোজিশিং ১৯৮০গী মতমদগী হৌনা শীজিন্নবা হৌরকখ্রবনি; মালেমদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট খুদিংমক্লা পুক্নিং চঙখি; অমদি মসিগীদমক শেল-থুমগী খুদোংচাদবা কয়া থেংনখিদে।

ঙাইহাক লৈতনা ট্রান্সফর তৌবগী ওর্দর খুদক্তা হন্দোকউ : জে এন জি ভি ও

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস) : কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভকী চিরবা মতম অসিদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর (দি সী) ঙাইহাক লৈতনা ট্রান্সফর তৌবগী ওর্দর খুদক্তা হন্দোকউ হায়না জোইন্ট নন গভর্ণমেন্ট ভলন্টরি ওর্গনাইজেসন (জে এন জি ভি ও) কচীংগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রোমেস নাওরেম্না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌজিক হৌজিক ককচীংগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অসি কুমজা ২০২০গী ওক্টোবর থাদা জোইন্ট তৌবনি। ইন্দিয়াগী মফম খুদিং কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভকী অকনবা চৈথেং নংদুনা মীয়াম হা-কা লাউনা ৱানরি। অসিগুম্বা চিরবা মতম অসিদা থা খরখক থবক পায়বদা ঙাইরিবা দেপ্যুটি কম্মিস্নরবু ট্রান্সফর তৌনবগী ওর্দর অমা থোরক্লিবা অসি য়াম্না মরম চাদে। ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী দি সী তোয়না তোয়না শিনবা অসি অঙকপা ফাওই অমদি চাওখৎ থৌরাংগী থবক্তা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদে। ফীভম পূম্নমক অসি কূপ্না খন্থবীরগা ট্রান্সফর অসি খুদক্তা হন্দোকপীনবা ওথোরিটিগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

মৈথক্তগী চোংথোক্লগা অমুক হন্না মৈনুংদা তাশিনবগী থৌওংদু থোক্তনবা হোৎনমিন্নসি

মৈথক্তগী চোংথোক্লরগা খোঙফম নংহৌদদনা অমুক মৈথক্তা চোংশিনবগী থৌওং থোক্তনবা ঐখোয় পূম্নমক্লা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই। মফম খরদা অথিংবা থমজরবসু মফম অয়াম্বদা চৈরাউ চীং কানদুনা মী ময়াম সোসল দিষ্টেন্সিং কাউথোক্লদুনা তিনখিবা অদুগা মরম চাদনা পার্টি কয়া তৌদুনা কা হেন্না মী পুনখিবা অদুনা ঙসিদি নৌহৌননা অমুক কোরোনাগী থোং লাউনা হাংবগা পাঙ্খক ওইরে। শিবা মতমদা নঙ ঐনা তুংশিল্লিবা লন-থুম পূম্নমক কৈদৌনুংদা পুদুনা চৎপা য়ারোই। মীগী অশোয়বা থিদুনা অমদি হুল্লগা ঙাঙনবগী মহুৎতা ইশা-ইশানা হান্না ফৱা তঙাইফদে খঞ্জে। হৌখ্রবা থৌদোক কয়া কাউথোক্লদুনা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নদুনা হৌজিক ইন্দিয়াগী মফম শিনবা থুংনা অঙকপা ফংনা মায়োক্লরিবা কোরোনাগী সেকেন্দ ৱেভ অসি ইরমদম মণিপুরদা য়ৌরক্তনবা ঐখোয় অমত্তা ওইনা ঙাকথোকমিন্নবা হোৎনমিন্নবা মথৌ তারে। লৈঙাক অসিনসু মীয়ামগীদমক মতম-মতমগী ওইবা পাংবা য়াবা মতেং মতাং চানা পাংহন্নিংই। লোয়ননা মপান লমদগী চঙশিল্লক্লিবা মীওইশিং নুমীৎ ১৫ তোঙান্না থম্বিরগা টেষ্ট তৌরবা মতুংদা মাগী-মাগী য়ুমদা হলহনবিরবদি খরা শাফগনি খল্লি।

❒ জুলিয়েট অকোইজম, শিংজমৈ ওইনাম থিঙেল

লমদম অসিদা চৎনরিবা থৌওং অসিদি অঙম-অঙম্বনা শেৎ-শেৎতুনা চানবগা পাঙ্খক ওইরে

অপেৎপা লৈখোম্না কনশিনখ্রবদা শেমনিংবা মওংদা শেন্বা য়াদবগুম

কোভিদনা মরম ওইরগা মাঙলেদো মহৈরোয়শিং। অমুকসু লায়রবগী চৈথেং ফংলিবা ইমুং মনুংদি অৱাবগী মথক্তা অৱাবা হাপকৎলকপা হায়বদু ওইরে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীরকপা পি এম জি কে ৱাইগী চেংসু চহী অসিগী জন্যুৱারীদগী এপ্রিল থা ফাওবগী মনুংদা শুপ্নগী থা অনীদগী হেন্না য়েনবিদ্রি। মদুসু ফংনবা হোৎনবদা কার্দ হোল্দরশিংদগী অধার কার্দ লিঙ্ক তৌনবনি হায়দুনা রাসন এজেন্টশিংনা লুপা ৩০/৩০ খোমগৎখি। মতাং অসিদা হায়জনিংবদি পৈশা তিংখ্রবা লায়রবশিংনদি ফংফম থোকপা চেং মপুং ফানা ফংদনা লৈরি। অদুগা চেং য়েনবশিংনা কার্দ পায়দবা লৈঙাক্কী থবক তৌবা মীওইশিংদা চেং কেজি ৪/৪ শুপ্নগী লুপা ৩ লৌদুনা য়েল্লি। অসি য়ৌনা ৱারবা মতম অসিদা করম্বা ইনাক-কৈরাক খুনবশিংনা লুপা ১ তং পুথোক্লগা লায়রবা প্রজাশিংদা মতেং পাংবা কয়া লৈখ্রবগে? লায়রবশিংগী চাকথুংদি ঙসিসু ইনাকখুনবশিংনা য়েন্নদুনা চামিন্নরি। অসিগুম্লবা অকুৎপদা লৈতৌবা অতোংবদা লৈথোনবগী চৎনবী অসি কয়াম কুইনা লৈঙাক অসিনা য়েংদুনা লৈখিগদৌরিবনো? হিরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়জরি।

❒ আর এ মৈনাম, য়াইরিপোক তুলিহল ৱার্দ-৪

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০৪।০৫।২০২১ ইং, লৈবাকপোকপা; নুংথিল পুং ১.১১ ফাওবা শজিবুগী ২৩নি পাল্লি, মতুং ২৪নি পানগনি।

মেষ : হকচাং নুংঙাইবা, থৌনা ফুদোকপা য়াবা, পল্লম্বা থবক পাংবা অমদি অয়েৎপা কোকপা লৈ। ৱাঙাঙদি হৈয়ু, নোল্লুক্ত্রদি য়েক্লবা চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরুপকী মতেং ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

বৃষ : খাংবা অমদি থিবা হুম্বা কল্লু। ৱাফংনবা পাম্লুনু অমদি ৱানোম থৌনোম তৌরুনু। মীতোপ থাজবনা চিংনবা হেনগনি। ঈংথনা লৈবনা মফরে।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাইঙমদবা তৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/অশংবা।

মিথুন : নচা ননাইগী লম্দা পূক্নিং পেঞ্জবা অমদি পাংঙমদবা থবক পাংবৈ নুংঙাইজবা লৈগনি। ইমুংগী নত্তনা মীতোপকী ৱা থোইনা তারুগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট : হকচাং খিংবা হেনবা, ওইজা ফংবা অমদি অফবা থবক্তা শেল থাদবা য়াবা অফবা নুমিৎনি। অরাপ্পা মীগা মতেং লৌনবা য়াগনি-চিংনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ : অফবা লম্ খুদিংদা শোয়দনা মায় পাক্কনি। লৌশিং চাওই, য়েৎনরম্বা কোক্কনি, ঙাঙ-শকপা হৈগনি, চাদিং হস্থগনি-মতম মাঙহনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : অৱাবা অমদি য়েৎপা লোয়নগনি অদুনা তরাই তরাইনা থৌ পাংগনু। চিন য়াঙগনু অমদি মীৱা লৌগনু। লম চখোকপা কান্নবা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- খরা লাংতক্লরসু মরীদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

তুলা : অচুম্বনা মাঙওইনৌ অমদি অফবা থবক্তা মায় ওনশিল্লু-শোইদনা মায় পাক্কনি। মীয়ামগী অপাম্বা অমদি হকচাংগী খল্লু। অনম তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা ৱারৌগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : ৱানোম থৌনোম কান্নগনি অমদি নীংবা মপা চাগনি। ইচং থৌবা অমদি খুদক্কী ৱারেপ লৌবদা থোইনা কাইবা লৈরোই। খোইরাংবদি ফাথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু : খাংবা কন্দবা অমদি অশাওবনা মাঙজগনি-শোক-পনবা য়াবসু লৈ। ঙাঙথোকপদি পকচগনি, অরং অরাক ফংবগুম নুংঙাইবা খরসু লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনগে খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর : ৱাখল নুংঙাইবা, ইমুং মনুং ৱা তানবনা কান্নবা হেনবা অমদি অচুম্বা চৎপনা মচাক নরল চাওখৎপা ঙম্বা নুমিৎনি। অদুবু শকখঙদবা লোয়নগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্বা : মরুপ মপাংগী অমদি ওজা-গুরুগী মতেং লৌবদা থোইনা কান্নগনি। পাংগে খনবা থবক্তা নিংহন্নগনু-মায় পাক্কনি। পাউদি নুংঙাইতে।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন : মীচং হেনগৎপা, নীংবদুমক পাংবা য়াবা অমদি ৱাখল থোকপা নুমিৎনি। অদুবু নোল্লুক্লা চৎত্রবা অমদি অশাওবনা মাঙওইনরদি কান্নবা মাঙখিনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।